**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২২-০৫-২০২৪,য়ুমশকৈশ)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল নিংথৌখোংজম সুনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মালেমগী বাইওলোজিকেল দাইভর্সিতি নুমিৎ ঙসি মনিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি।

২) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি -রাজ্য অসি ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃতিগী লমদম ওইবনা মসিবু হেননা চাউখৎহন্নবা রাজ্য অসিগী মীয়াম অমসুং সরকারগা নকবা মরী থম্বা তঙাই ফদে।

৩) ককচিং জিলাগী কম্মান্দো অমসুং হিয়াংলম পুলিসনা, হিয়াংলম হিরানমৈ হিয়াংখোংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়কয়া ফাগৎলে।

৪) শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডা: আর.কে রঞ্জননা হায়রি- নেসনেল ইদুকেসন পোলিসি ২০২০ না মৈহৌরোলদগী লাইরিক তম্লকপা মওং অসিগা হৌজিক হৌজিক চাউখৎলবা দিজিতেল মতমগী লাইরিক তম্বীবা অসিগা নকশিনহন্দুনা অফবা মখলগী শিক্ষা ফংহন্নবা পান্দম থল্লি।

**অমসুং**

৫) ৬ শুবা অমসুং ৭ শুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

**-----সিগনেচর ট্যুন---**

**ডে (এল)ঃ** মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী বাইওলোজিকেল দাইভর্সিতি নুমিৎ পাঙথোকখি। হন্দক চহিগী নুমিৎ অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি-ঐখোয় পান্মীশিংগী শরুক অমা ওইশি হায়বসিনি। রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী খোংহামপাৎ লাইকোলদা লৈবা ষ্টেট বোতানিকেল গার্দেনদা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যগী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি এম.ঐচ. খান্না হায়- হৌখিবা চহি খরা অসিদা মণিপুরগী অকোয়বগী ফীভম অমদি থৱাই পানবা জিব মখল অমদি মশিং হেনগৎলক্কুনা হেন্না ফিভম ফগৎলক্লি। মহাকা হায়- লাক্কদৌরিবা চহি খরা অসিদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরগী অকোয়বগী শক্তম অমদি থৱাই পানবা পান্মী অমসুং জিবশিংগী ফীভম হেন্না ফগৎলক্কুনা অফবা অহোংবা অমা শোইদনা উরগনি। হৌজিক লৈঙাকা লোক্তাক পাৎ অসি মহৌশাগী ফিভম য়োকখৎনবা হোৎনরি। রাজ্য

অসিগী য়েলহৌ ঙা ওইরিবা পেংবা অসি মুৎখিদনবা হোৎনদুনা লাকপা অদু হৌজিক্তি খরা মখৈ ফিভম ফগৎলে।

থৌরম অদুদা ক্লাইমেত চেঞ্জ রিপোর্তিং ২০২৪-২৫ গী মিদিয়া ফেলোসিপ ফংলবা জরনেলিষ্টশিংদা ফেলোসিপকী থবক হৌননবা এৱার্দ লেটরশিং খুৎশিন্নখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা আকশবানি ইম্ফালগী দেক্স ইদিতর ক্ষেত্রিমযুম গঙ্গাসু য়াওরি।

নুমিৎ অসি মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী জ়লোজি দিপার্টমেন্তনা শিন্দুনা দিপার্টমেন্ত অসিগী বিল্ডিংদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা স্কুল ওফ লাইফ সাইন্সেসকী দিন প্রোফেসর জি.কে.এন ছেত্রিনা অথোইবা মীথুং ওইখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং দিপার্টমেন্ত অসিনা শীন্দুনা বাইও দাইভরসিতি হায়বা থিমদা লাইয়েকপা চংদমবা অমসু পাঙথোকখি। ঙসি য়ুনিভার্সিতি থাক্কী মহৈরোইশিংগী ওইবা এক্সতেম্পো স্পিছ চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি। লাইয়েকপা অমসুং এক্সতেম্পো স্পিছ চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি। থৌরমদুদা মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী জ়লোজি দিপার্টমেন্তকী এসিস্তেন প্রোফেসর ডা: য়ুমাম রামেস্বারিনা হায়-

**--সাউন্দ রামেস্বরি--**

**পেন্তিং(এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী তমেংলোং ফোরেস্ত দিভিজননা শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল দে ওফ বাইওদাইভরসিতিগা মরী লৈননা খুদক্তা লাইয়েকপা চংদমবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। অথোই অহেন চংদমবা অদুদা ত্রিনিতি পব্লিক স্কুলগী মহৈরোইশিংনা অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা পাঙথোকখি।

**গভর্নর(এল)ঃ** রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি -রাজ্য অসি ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃতিগী লমদম ওইবনা মসিবু হেননা চাউখৎহন্নবা রাজ্য অসিগী মীয়াম অমসুং সরকারগা নকবা মরী থম্বা তঙাই ফদে। ইম্ফালগী লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈবা প্রোগ্রেসিব আর্টি লেবোরেতোরি হৌদোকখিবগী ৫০ শুবা কুমওন থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়- রাজ্য অসিগী কালা সংস্কৃতিগী থৌরমশিংনা ফুরুপ কয়াবু অমত্তা ওইনা পুন্সিনবদা অচৌবা থৌদাং লোরি। রাজ্যপালনা হায়-

**--সাউন্দ রাজ্যপাল--**

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা গুরু থিয়াম তরুনকুমার সিংহগী মীতম অমা শঙ্গাখি। থৌরমদুদা মনিপুর য়ুনিভার্সিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর হিজম তোম্বী অমসুং থবক্তগী পোখারবা আই.এ.এস কাংজম রধাকুমার শরুক য়াখি।

**সেক্যুরিতি(এল)ঃ** ককচিং জিলাগী ককচিং খুনৌ, উমাথেলদা জিলা অসিগী কম্মান্দো য়ুনিত অমসুং ৱাইখোং পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা উমাথেল ময়াই লৈকায়দা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং য়ুম য়ুমদা চংদুনা থীবা হুম্বগী থবক চত্থখি। মদুদা মীফা মীপুনগী পাউ লৈতে।

অমরোমদা, জিলা অসিগী কম্মান্দো অমসুং হিয়াংলম পুলিসনা, হিয়াংলম হিরানমৈ হিয়াংখোংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়কয়া ফাগৎলে।

ফারবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- কন্ত্রি মেদ নাইন এম.এম পিস্টোল অমা, দিটোনেতর য়াওদবা হেন্দগ্রেনেদ অমা, টু-ইঞ্চ মোরতার সেল অহুম, বুল্লেটপ্রুফ জেকেট অনি, বাওফেং হেন্দসেট অমা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং য়াওরি। মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা খুৎলায়শিং অদু হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

**ৱাকৎ(এল)ঃ** ককচিং জিলাগী হিয়াংলম হিরানমৈদা ঙরাং মশক খঙদবা মীওই খরনা মীওই অমা পুরক্লগা মখোংদা নোংমৈনা কাপ্লম্বগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি মফম অদুগী মীয়ামা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। লমদম অদুগী মৈরা পায়বি অমদি য়ুথ পাইওনরস এসোসিয়েসন অনিনা পুন্না চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুনা মীয়াম মরক্তা নোংমৈ কাপ্পা য়ানিংদে , মীয়ামদা অকি অখঙ পাগনু , অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা চথবিগনু হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী উয়ানদা লৈবা ইবুধৌ পাখংবগী লাইশঙ মশক খঙদবশিংনা হৌখিবা অহিংদা থুগাইরম্বা অমদি লাইগী পোৎলম কয়া মৈ থাদোক্লম্বগী থৌওং অদু রাজ্যগী প্লানিং এন্দ দিভলপমেন্ত ওথোরিতিগী চিয়রমেনসু ওইরিবা কৈরাও বিধান সভাগী এম.এল.এ লৌরেম্বম রামেস্বর মৈতৈনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

এম.এল.এ রামেস্বরনা ঙসি মফম অদুদা চৎতুনা লাইশঙগী ফীভম য়েংশিনখি। অসিগুম্বা ফুরুপ অমগী চেৎনা থাগোন্নরিবা লাইশঙ অমবু অমাং অতা থোকহনবগী থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লাইশঙ অসি শেমজিন শাজিন্নবা অঙম্বা শেলগী মতেংসু তেংবাংখি।

মসিগা লোয়ননা এম.এল.এসিনা লাইশঙ অসি শেমজিন শাজিনবদা মখা তানা চংগদবা শেনফম অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়না ফোংদোকখি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ রামেস্বর--**

**পি.এল.এ(এল)ঃ** মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙরাং থোকপা চেরোল অমদা লমশাংদগী পি.এল.এগী কাদর তরুক, খুৎলায়গা কোন্ননা মনিপুর পুলিসনা ফারেহায়বা ৱাফম অসি আইননা থিংখ্রবা লুপ আর.পি.এফ অমসুং মসিগী লান্মী শংলুপ পি.এল.এনা মখোয়গা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না ফোংদোরক্লি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**এন.ই.পি(এল)ঃ** শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডা: আর.কে রঞ্জননা হায়রি- নেসনেল ইদুকেসন পোলিসি ২০২০ না মৈহৌরোলদগী লাইরিক তম্লকপা মওং অসিগা হৌজিক হৌজিক চাউখৎলবা দিজিতেল মতমগী লাইরিক তম্বীবা অসিগা নকশিনহন্দুনা অফবা মখলগী শিক্ষা ফংহন্নবা পান্দম থল্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হিয়াংথাংদা লৈবা কমক্ষ্যা পেমতোন কলেজতা ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল য়েংশিনবা চৎপদা মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। কলেজ অদুগী ফীভম ফগৎলম্বা উবদা মন্ত্রিনা নুংঙাইবা পোকখি। মন্ত্রিনা হায়-

**সাউন্দ রঞ্জন**---

এলমিঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনামদা লৈবা থম্বাল মরিক কলেজকী অহানবা এলমি এসোসিয়েসনগী থৌরম ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এন.লোকেন্দ্রনা অথোইবা মীথুং ওইখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মহাকা হায়- হৌজিক লৈরিবা এলমি অসি অচংবা ওইনবগী পান্দম থমদুনা হেন্না মতিক থোকবা হোৎনবা তঙাই ফদে।

**পোক্সো(এল)ঃ** মনিপুর কম্মীসন ফোর প্রোতেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা শীন্দুনা প্রোতেক্সন ওফ চিল্ড্রেন ফোরম সেকচুয়েল ওফেন্সেস(পোক্সো)এক্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্না লৈননবগী থৌরম অমা মজর খুলদা লৈবা মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কম্মীসন অসিগী চিয়র পরসন কৈশাম প্রদিপ কুমারনা হায়- এক্ট অসিগী সেক্সন ৩৯ গী মখাদা সেকচুয়েল ক্রাইমগী ভিক্তিমশিংদা শৌগৎপগী মতাংদা কুন্না খন্না নৈনখি।

ভিক্তিম ওইরিবা অঙাংশিংগীদমক পুলিস ষ্টেসনদা শুংশোইদনা কেস ফাইল তৌবা, পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসিয়েলশিংনা অঙাংশিংগী জবান রেকোর্দ তৌহনবা, মসি ঐখোয়না শুংশোই শোইদনা তৌগদবা থবকনি। মীফম অসিনা পোক্সো এক্টকীদমক রাজ্য সরকারগী চপ চাবা গাইদলাইন অমা অমসুং ভিক্তিম ওইরিবা অঙাংশিংগীদমক তেংবাংনবা পেনেল অমা শেমবা দাবী তৌরি।

**এদল্ট(এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভার্সিতি এদল্ট কন্তিন্যুয়িং ইদুকেসন এন্দ এক্সতেন্সননা শিন্দুনা নুমিৎ ৪৫ নি চৎথগদবা ফিল্ড আউট রিটচ এক্তিভিতিস প্রোগ্রাম অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর নাওরেম লোকেন্দ্রোনা হিয়াংথাং তারহে কোংঞ্জিল কবুই খুল অমসুং কে.পি কলেজ রিলিফ কেম্পদা চৎনবা লমথাখ্রে।

ইবা পাবা হৈজদবা মীওইশিংদা ময়েক চৎনবা তাকপী তম্বীবগীনি। লম থাবগী থৌরম অসিদা এদল্ট কন্তিন্যুয়িং এন্দ এক্সতেন্সনগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ত লামালু থাইমৈনচিংবা শরুক য়াখি।

**ফোক্স(এল)ঃ** ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি (ফোক্স)না শীন্দুনা শীন্নীৎলোনদা শোথনা লৈবশিংগীদমক বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং বজারদা চেংগুম অমসুং কংলায়েন থাবগী ত্রেনিং অমা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা নুপী ৫০ হেনবদা অখঙ অহৈশিংনা তাকপী তম্বীখি। নুমিৎ ৪ নি পাঙথোক্কদবা ত্রেনিং অসিদা ফোক্সকী প্রসিদেন্ত টি.ঐচ মণিহার অমদি বি.এম য়াইমা সহা শরুক য়াখি।

**অগুই(এল)ঃ** থবক্তগী পোত্থরবা আই.এ.এস ওফিসর স্বোর্দ ভাসুমবু তাঙ্খুল নাগালোংগী প্রসিদেন্ত ওইনা খনখ্রে। ঙসি উখ্রুলগী তাঙ্খুল নাগালোং হোলদাফম অসিগীদমক মীওই ৪ না লম্বা থেংনবদা মহাকা মায় পাকখিবনি।

**সেমিনার (এল)ঃ** মনিপুর লৈঙাক্কী দাইরেক্তোরেট ওফ য়ুনিভার্সি এন্দ হায়র ইদুকেসনগী কলেজ ষ্টুদেন্স মোনিতরিং ইন্নিসিয়েতিব প্রোগ্রাম অমসুং থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখোম মণি গলর্স কলেজনা শিন্দুনা মীট দা সাইন্তিস হায়বা থৌরম অমা কলেজ অসিগী সেমিনার হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দাইরেক্তোরেট ওফ য়ুনিভার্সি এন্দ হায়র ইদুকেসনগী এদিসনেল দাইরেক্তর পি.শক্তি কুমার, ৱাইখোম মণি গলর্স কলেজকী প্রিন্সিপল প্রোফেসর ঐচ. মনোরঞ্জন শর্ম্মনা লুচিংবা এক্সপার্ট কয়ানা শরুক য়াখি।

**সেমিনার-২(এল)ঃ** ৱাই.কে কলেজ ৱাংজিংগী ইন্তরনেল ক্কালিতি এসুরেন্স সেল অমদি সেমিনার কম্মীতিনা শীন্দুনা অন্দরষ্টেন্দিং অনফোল্ডিং কনফ্লিক এন্দ ভাইওলেন্স ইন মনিপুর হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী সেমিনার অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দি.এম কলেজ ওফ সাইন্সকী রিটায়র্দ প্রিন্সিপল ডা: সোইবম গিরি সিংহ , কলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ত ওফ ইকোনোমিক্সকী রিটায়র্দ এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা: ৱাইখোম কুমারশিং শরুক য়াকি।

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী ন্যু সোংজাং খুলগী নহাশিংগা ফেন্দলি বোলি বোল মেটচ অমা শান্নখ্রে। থৌরম অসি মফম অদুগী নহাশিংবু শান্নখোৎনবগী লমদা পুকিং থৌগৎপা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

**সুব্রোতো(এল)ঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সুব্রোতো কপ ২০২৪ ঙসিদগী ৱাংজিং কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ত থৌবালনা শিন্দুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ৬৩ শুবা ইদিসন অসিদা চহি ১৫ ফাওবগী নুপা মচাগী কেতেগোরিদা জিলা অসিদা স্কুল ৯ না শরুক য়ারি। অন্দর সভেন্তিন বোইজকী টিম ৩ অমসুং অন্দর সভেন্তিন গলর্সকী টিম অনিনা শরুক য়ারি। থা অসিগী ২৫ ফাওবা চথুগদবা টুরনামেন্ত অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা কে.এম ব্লুম্মিং হায়র সেকেন্দ্রি স্কুল খাঙাবোকা থৌবাল লৈশাংথেম পব্লিক স্কুলবু পাঞ্জল ২-০ দা মাইথিবা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** বিষ্ণুপুরগী মিণি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা চহি ১৭ মখাগী ১৭ শুবা এন. বালানন্দা সিংহ্ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন বোইজ ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাই এস.এ.জি উৎলৌনা ওইনাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরনা য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৪-১ দা মাইথিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল-২ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন এ.আই.এফ.এফ কী চহি ১৭ মখাগী য়ুথ লিগ ২০২৩ -২৪ গী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি চীংমৈরোং অমসুং ফুটবোল ফোর চেঞ্জ কাংপোকপীগা হয়েং গৱাগী নাগাও পঞ্চায়ট গ্রাউন্দা শান্নগরনি। হয়েং নুংথিল পুং ৪ দা শান্নগনি।

## --অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**কেম্পেন ঃ** ৬ শুবা অমসুং ৭ শুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি ।

উত্তর প্রদেশতা তোঙান তোঙানা রাজনিতি দলশিংগী ষ্টার কম্পেইন্নরশিংনা ৬ শুবা অমসুং ৭ শুবা তাঙ্কক্কীদমক ভোট খোম্বগী থবক চথুরি। প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা রাজ্য অসিগী বস্তি জিলাগী মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা হায়- মীয়ামা চাউখৎপা অমসুং মশা মতোমতা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারত অমগীদমক খল্লগা ভোট থাদসি । প্রধান মন্ত্রি অমসুং রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রিনা সারভাসিতি জিলাদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদসু শরুক য়াখি।

সমাজৱাদি পার্টিগী মকোক অখিলেস যাদব অমসুং ভহুজন সমাজ পার্টিকী মকোক ময়াবাতিসু মখোয় মখোয়গী দলগীদমক ভোট খোল্লি।

অমরোমদা, দিল্লিগী লোক সভা সিট ৭ মক থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগনি।

**মাখল ঃ** **৭শু**বা তাঙ্কক্কী মীখলদা রাজ্য ৮ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদগী পুন্না মীরেপ ৯০৪ না লম্বা থেংনগনি। ইলেক্সন কম্মীসননা হায়- জন্ অমদা পাঙথোক্কদৌরিবা তাঙ্কক অসিগী মীখলদা লোক সভা কেন্দ্র ৫৭ তগী পুন্না মীরেপ লিশিং ২,১০৫ মীরেপচে পীশিল্লকখি। স্ক্রুতিনিগী মতুংদা মীরেপ ৯৫৪ খক্তমক অয়াবা পীখি।

**ধনকরঃ** উপ রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনকর ঙসি ইরানগী তেহরানদা থুংখ্রে। শ্রী ধনকরবু মফম অদুদা হেল্লিকোপ্তর কায়বদা লৈখিদবা ইরানগী রাষ্ট্রপতি সৈয়দ ইব্রামহিম রৈসি অমসুং ফোরেন মন্ত্রি ঐচ. অমির অব্দুলাগী ওফিসিয়েল ওইনা অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ানবা চৎখিবনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) মালেমগী বাইওলোজিকেল দাইভর্সিতি নুমিৎ ঙসি মনিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি ।

২) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি -রাজ্য অসি ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃতিগী লমদম ওইবনা মসিবু হেননা চাউখৎহন্নবা রাজ্য অসিগী মীয়াম অমসুং সরকারগা নকবা মরী থম্বা তঙাই ফদে।

৩) ককচিং জিলাগী কম্মান্দো অমসুং হিয়াংলম পুলিসনা, হিয়াংলম হিরানমৈ হিয়াংখোংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়কয়া ফাগৎলে।

৪) শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডা: আর.কে রঞ্জননা হায়রি- নেসনেল ইদুকেসন পোলিসি ২০২০ না মৈহৌরোলদগী লাইরিক তম্লকপা মওং অসিগা হৌজিক হৌজিক চাউখৎলবা দিজিতেল মতমগী লাইরিক তম্বীবা অসিগা নকশিনহন্দুনা অফবা মখলগী শিক্ষা ফংহন্নবা পান্দম থম্লি।

## অমসুং

৫) ৬ শুবা অমসুং ৭ শুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি ।

**--- পাউ লোইজরে---**